# আর্টিষ্ট হায়বসিদি নুংঙাইখ্রজাৎনি, দ্রামাদা মহারানি শারুরসু যুমদদি মীনাই শাদবা য়াদে : হৈস্নাম ইন্দু, এক্ট্রেস

- *নানি*



মীয়াম মাঙদা থোক্তুনা মখল কয়াগী রোল লৌদুনা পর্ফোর্মেন্স পীরিবা আর্টিষ্টশিংগী পুন্সিগী ৱারী নৈনবসি ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা অমনি। মালেমগী ওইনা ফাওরবা এক্টর কয়াগী পুন্সিগী ৱারী পারুরে, নৈনরুরে, মদুদসু অঙকপা এক্সপিরিয়েন্স অমা অমদি তমজনিংঙাই ওইবা কান্নরবা লৌশিং কয়া অমা ফংবা ঙম্মী। লমদম অসিদা লৈরিবা মশক মমিং লৈরবা এক্টরশিং অসিগীসু মখোয়গী পর্ফোর্মেন্সকী মরুমদা নুংঙাইরবা, নুংশিরবা, অমদি অঙকপা ৱারী কয়া অমা ফুমদুনা লৈরম্মী। থিগৎপীবা ৱাৎপা, নৈনবা ৱাৎপনা খঙদবগী ৱানি। থিরুরবদি মখোয়গী ৱারীশিংনা তুংদা লাক্কদৌরিবা হীরম কয়াদা খোঙ থাংজিন্দুনা মীথোই মীহেন তাল্লিবশিংদা কনানসু তাকপীবা ঙম্লরোইদবা পারা অমমম য়াওরি হায়বসি থোইনা খঙনদবগুম থিবগী চাংদি য়াম্না ৱাৎলি। ঐখোয়গী মাঙদা লৈখ্রবা সিনিয়র আর্টিষ্টশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী মতমদা থেংনরকপা অৱা নুংঙাই অমদি মহাক্লা মীথোই মীহেন্নবা হোৎনরকপদা, ওজা গুরু কয়াগী মখোঙদা তুজদুনা তমজরকপা কয়াগী ৱারীশিং অদু ঙসিগী মীরোল অসিনদি চুম্নগী মমল লৈতবা ৱারী অমগুম লৌনবদৌনা তৌরি। হৌজিক্তি তন্বা হায়বা অসি য়াওদ্রে।

ঙসি চঙলকপসু হয়েং ফাওরে, মপান শাৎতনা মহৈ য়াল্লে। অদুগুম্বা মহৈ অদুনা হৈজিং ফাদবদগী কুইনা লীদুনা থম্বদি য়ারোই হায়বসি মতমসিগী নহাশিংনা কৈদৌনুংদা খন্থদবদৌনা তৌরি। ওজা গুরুগী মনাক্তা কুল্লকপা খরতনা অহল-লমনশিং অদুগী চৎন-কাঙলোন কয়াশিং অদু পুথরক্তুনা ঙসিসু আর্ট তৌবগী থক-খা নাইবা ফজরবা মশক অদু মখোয় খরগী মরক্তগী উবা ফংলি। অদুবু মতমসিগী মীরোলগী মরক্তদি লৈরিবরা লৈতবরা হায়বসিদি খরগা হেন্না য়েংশিনবা মথৌ তারি। ঙসিসু কলম অসিদা লমদম অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং লৈরবা ঠিএটর অমদি ফিল্মগী সিনিয়র এক্ট্রেস অমগী মপাও পুজরল্লি। মণিপুরী ঠিএটরগী পুৱারীগী লমায় হায়গৎনা য়েংলুবদা শোয়দনা থেংনগনি, কুমজা ১৯৪৬তা লিংখৎখিবা জয় দ্রামা পার্টি হায়নসু খঙনবা মণিপুর নেসনল আর্টিষ্ট টৌরিং দ্রামা পার্টি। হায়রিবা গ্রুপ অসিদা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা এক্ট্রেস অমা ওইনা য়াওরল্লবা হৈস্নাম ইন্দু।

শক্লাইরবী এক্ট্রেস ইন্দু ৱাবগাইগী এলাংবম শাগৈ অমগী ইমুংদা পোকখি। মঙাশুবা ফাওবা ৱাবগাইদা মহৈ তম্লকই। মদুদগী মমাগা পোকমিন্নবা মনাওনুপীগী য়ুম ককৱা লিলান্দো লম্পাক্তা লাক্তুনা মখা মহৈ লাইশ্রম দেব হায় স্কুলদা তম্লকখি। মদোমচানা মহাকপু মচামক শক্তুনা নুংশিনা শেন্নবীদুনা লাকখি। পুন্সিগী ইহান হানবা দ্রামাদি ৱাবগাইদা লৈরিঙৈদা স্কুলগী দ্রামা অমদা হেরোগী মচলনুপী অমগী রোল মচা অমা লৌদুনা য়াওরকখি। নুমীৎ অদুদা লমদমসিগী শক্লাইরবা টৌরিং দ্রামাগী নিংথৌরেল ওইরিবা এলাংবম জ য়গী দ্রামাসু খুল অদুদা শান্নবা লাকখিবদগী প্লে অদু য়েংখি। প্লে অদু য়েংলুরবা মতুংদা শাগৈগীসু মচল ওইরিবী ইন্দুবু মহাক্কী দ্রামাদা য়াওনবা অহল-লমনশিংদা হায়নখি। অদুবু খরা পীক্লি, মথং লাকপদা ওইনা য়াওহঞ্জগে হায়বদগী লৈহৌখি। দ্রামা অদু য়াওরুবদগী এক্ট্রেস অসি দ্রামা য়াওনিংবগী অচৌবা ইথিল অমা লোয়নদুনা লাকখি। নীংবু নীংলবদি থুংই হায়বগুম কোন্নথংদা জয় দ্রামা পার্টিদা য়াওবা ফংলকখি। হেক য়াওখিবদগী ওজানা নীংথিনা তন্বীদুনা মখল কয়াগী রোল কুমদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা নোংম-নোংমগী অসুম অসুম চঙশিল্লকপা হৌরকখি। টৌরিং দ্রামা অসিদা য়াওরিঙৈগী মতমদা মতমদুগী য়াম্না মমিং লৈখ্রবা প্লে কয়াদা কুম্বা হৌরকখি। মমিং খরদং পল্লবদা- *পুন্সি পামেল, খাঙুথক্কী চেক্লা, বি এ লমজা, শাগৈগী মৌ, মাধবী, শরত চান্দনি, পোনগী চেক্লা* নচিংবা। য়ামখ্রবা প্লেশিংনি, লোয়নমক মিং পনবগী খুদোংচাদবা লৈগনি, মরমদি অৱাৎ-অপা চিথ্র-নাম্থহৌবা লৈরবদি ফজদবনা খরা অসিদং পঞ্জবনি।

তশেংনমকসু মণিপুরদা ঠিএটরগী ইহুল শিনবা থুংনা পীখিবদি এলাংবম জয়গী টৌরিং দ্রামা অসিননি হায়বমকসু য়াই। মণিপুরগী



কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা কোয়না চৎতুনা প্লে শান্নরকখি। টৌরিং দ্রামা অসিদা য়াওরিবা আর্টিষ্টশিংসু শেল থোকহনবা, ঠিএটরসু প্রোফেসনল ওইবা য়াই হায়বসি ওজা অসিনা খুদম ওইরিবনি। মণিপুরগী মফমদতা নত্তনা থংনবা ষ্টেট কয়াগী মৈতৈ তাবা মফমশিংদা চহী খূদিংগী অখন্ননা লীলা উৎপা চৎখি। মণিপুরদতা নত্তনা মপানগী থৱায় য়াওজবা, পামজবা কয়াদসু ঠিএটরগী ঈহৌ শাগৎপদা অচৌবা ইথিল পীখি। হায়রিবা দ্রামাগী খোঙচৎ কয়া অসিনা এক্ট্রেস ইন্দুগী পুন্সিদা অঙকপা এক্সপিরিয়েন্স অমা ফংবগা লোয়ননা ঠিএটরগী, আর্ট এক্টিংগী চপ চাবা মহৈশিং অদু ওজাগী মফমদগী নীংথিনা তানশিনবা ঙমখি। মীওইবগী পুন্সিনি, য়ুম্বাল লম্বীদা লাক্তবসু য়াদবনা এলাংবম লৈকায় লৈরক মচাগী মনুংদা লৈরিবা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা, মণিপুরী আর্টস এন্দ কলচরবুসু থৱায় য়াম্না য়াওজবা, মশামক এক্টর অমা ওইনসু কন্না চেন চোংজরম্বা হৈস্নাম তোম্বগা য়ুম্বাল লম্বীদা চৎমিন্নদুনা পুন্সিগী ফিরেপ তাল্লকখি। তাঙ্কক অসিদগী এলাংবম ইন্দুগী মহুৎতা হৈস্নাম ইন্দু হায়না মীয়াম্না ঙসিফাওবা খঙনবা হৌরকখিবা এক্ট্রেস অসিগী পুন্সিদসু ঠিএটরগী মায়কৈ অসি খরা হোংলকপগুম তৌরকখি। টৌরিং দ্রামাদগী তোল্লগা, মতেক মতেক ওইনা দ্রামাগী লূপ কয়াদা প্লেশিং মথং মথং কুম্বা হৌরকখি। মমিং খরদং নীংশিংলবদা- অর্য়ান ঠিএটর, পান্থোইবী নত্য মন্দিরনচিংবা পনবা য়াই। মমৈথংদদি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা মায়পুননা এক্ট্রেস অমা ওইনা লৈরকখি। হৌজিকসু ঠিএটর গ্রুপ অসিগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরি।

হৈস্নাম ইন্দু, মণিপুরগী মনুং অমদি মপানদা পাঙথোকপা ঠিএটরগী কম্পিটিসন কয়াদা মায় পাক্লা শরুক য়ারকখিবতা নত্তনা মনা মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙম্লকখি। পান্থোইবী নত্য মন্দিরগী “মতম্বাক্তা” হায়বা প্লে অসি নেসনলগী লেভেলদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল অমদা বোম্বেদা চৎতুনা উৎলুখি। মদুদা মতমদুগী মমিং লৈরবা হিন্দী ফিল্মগী এক্ট্রেস স্মিতা পতিলনচিংবা কয়াহোইগী প্লেসু শরুক য়াখি। অদুবু ফেষ্টিভেল অদুমক্তদা বেষ্ট এক্ট্রেস ফংলকখিবগী নুংঙাইখিবা অদুমদি ঙসিসু এক্ট্রেস অসিনা মহাক্কী পুন্সিগী শীংথানিংঙাই ওইবা অমনি হায়না পাউদম্লকখি।

অসুম্না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপনা মণিপুরী ফিল্মদসু এক্ট্রেস অসিগী মফম চাউনা কন্দুনা লৈরি। ইহান হানবা ওইনা *ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা* হায়বা মণিপুরী সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম অসিদা রোল অমা লৌদুনা শরুক য়াবা হৌরকখি। অসুম্না *শাফবী, থম্বাল, হয়েংনা কনাগী, সনাবী, হেল্লোই, নিংঙোল* নচিংবা কয়াদসু শরুক য়ারকখি। ভিদিও ফিল্মগী মতমদসু মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়া অমদা শরুক য়ারকখি- *ছাত্রী, অদুঙৈগী মশান্নগুম* নচিংবা, দিজিটেলগী ইরা লাকপা মতমদগীদি চাউরাক্লা ফিল্ম ১০০ হেনবগী মথক্তা শরুক য়াখ্রে। খ্বাইদগী পামজখিবা রোল অমদি ফিল্মদি- *থেংমনখ্রে থাবলসে* হায়বা ফিল্ম অদুদা কৈথেলদা পোৎ য়োনবী লায়রবী মমা অমগী রোল লৌখিবা অদুনি হায়না থম্বীরকখি। মসিগা লোয়ননা, *য়াইস্কুল পাখং অঙাওবা, ভি দি এফ থাসনা* নচিংবা কয়া মমিংসু পল্লকখি।

হৌরক্লিবা নহাশিংদা অচম্বা পাউজেল অমা ওইনা পীরদুনা এক্ট্রেস অসিনা অসুম্না থম্বীরকখি। হৌখিবা মাঙদা লৈখ্রবা লমদম অসিগী আর্ট অমদি কলচরগী পর্ফোর্মেন্স কয়াবু শেন্নদুনা পরিং নাইনা পুথবীরক্লিবা অহল লমনশিংবু ঐখোয়না খক কাউফম থোক্তে। মখোয়না হোৎনখিবা অমদি মখোয়না হৌরক্লিবা কয়াবু তাকপী তম্বীদুনা পরিং কায়দনা হোৎনজরম্বা কয়া অদুনা ঙসি ঐখোয়গী মতম অদিদসু মপোপ কায়দনা মীনা পাম্না য়েংননবা পুথরক্লিবনি। অদুনা হৌরক্লিবা নহা এক্টরশিং খক্তগী ৱা নত্তনা মসিগা হেক মরী লৈনবা পুম্নমকশিংনসু অখঙ অহৈ ওজাশিংগী মনাক্তা চৎতুনা মমুৎ তানা নীংথিনা তম্বা হায়বা অসি মরুওই। তমদনা কৈদৌনুংদা হৈবা য়ারোই। মদুনা তুং কোয়না চৎনবা য়ারোই। ওজা য়াওদনা হৈখিবা ঙসি ফাওবদা অমত্তা লৈত্রি। অদুনা নীংথিনা তমহন্নিংই। পীথোরকপগী য়াওজরকপা মতিক ময়াই অদু অমুক্কা হেন্না মথৌ হাপ্তুনা তমশিল্লগদি লম্বা লৈতনা মায় পাকপা হায়বদু ওইগনি। থক খা নাইনা চৎহন্নিংই। আর্টস হায়বসিদি দিসিপ্লিন য়াওদ্রবদি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙমদবনি হায়বা অসি হৌরক্লিবশিংদা থমজনিংই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০৮।২০২১ ইং, নোংমাইজিং, থৱানগী ২২ নি পানবা।

মেষ: অফবা মফম ফংজবা, য়েক্লববু ঙমজদুনা মীংচৎ ফংজবা নুমীৎনি। অনৌবা থৌরম পাঙবা হৌবদি অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবদং ফৈ। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: অঙনবদা মাঙজবা লৈরম্লসু থেংলপ্না কান্নবা অমদি নুংঙাইবা য়াম্না ফংগনি। লাঙতক্লবা ফাথরবা অমদি লৌশিং চাওবা লোয়নরবা হেন্না চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: মীকোক থোংবা নুমীৎনি। ইচং থৌবগী কান্নবা অমদি অয়ুক্তা থৌ পাওবা হৌবগী লাইবক ফবা উগনি। মীনা ইনশিনবা লৌরদি কায়নবা শোয়রোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: থবক পাঙগনি, শেল-থুম অমদি মীচঙ ৱাৎলোই। অদুবু নোল্লুক্লা চৎপা অমদি হন্থবা লোয়নদবদি ফগনি নত্রদি নচাক নরলদা তায়নবা য়াবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: অয়ুক্তা মিপাইবা পোক্লম্বদু ফরক্কনি অমদি ওইজ-ওইথক ফংগনি। নুংথিলদা নীংবা মপা চাবা হেনগনি। লৌশিং চাওই অমদি য়েৎনবদা মায় পাকই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা: মী পুনবগী নুংঙাইজবা অমদি নথক থোংবনা চানবীবগী হরাওবা লৈগনি। য়েক্লবনা অঙম্বদা লান্না তমশিনবীবা অমদি ফত্তবা তীন্নবনা মাঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: অয়ুক্তদি য়াম্না নুংঙাইবা খোঙশাল লৈ। নুমীৎয়ুংখ্রদি অনৌবা থৌরম পায়দবা ফরনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুবু পল্লম্বা শেল-থুম ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: লাইবক থোইনা ফগনি। অঙম্বনা চানবীগনি অমদি অফবা মীংচৎ ফংজৌ হায়বা লৈ। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি অমদি য়েক্লববু লাকশিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: থেংলপ্না নীংবা থুংগনি অমদি লমদৈ কান্নবা ফংগনি। য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি মরুপ-মপাংনা কল্লকপদি হান্নগুম লৈরি। হকচাংগী য়েংনা থৌয়াম পুদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

মকর: অনম তানবা, মীৱা থাজবা, চিন কনবনা চাওনা মাঙজগদবা নুমীৎনি। মৈনসু তাথি। নচা ননাই, অরিবা থবক অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরীদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনদি চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ভ: অয়ুক্তা লাইবক ফগনি অয়ুক পুং ১১ ফাওবা নীংবা থুংগদবা খোঙশাল লৈ। মরম খঙনা অমদি নোল্লুকপগা লোয়ননা থৌ পাঙলদি হেন্না য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: ৱা য়াম্না ঙাংদবা অমদি অরং-অরাক চেকশিঞ্জবা ফৈ। থৌ ফুদোকপা মতাং চাগনি অমদি য়েৎনবগী কান্নবা ফংগনি। পল্লম্বা শেল-থুম ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স

ওজা অমা হোটেলদা অহাংবা তেঙ্কোৎ অমদা তন কোৎলগা চারম্মী।
ৱেটর : ওজানা অহাংবা তেঙ্কোৎতগী কোৎলগা তন চারিবদু করিগীনো?
ওজা : ইবুংঙো ঐ মেঠমেটিক্স (অঙ্ক)গী ওজানি, অদুনা তেঙ্কোৎতা এঙ্গাং য়াওরে খল্লগা চারিবনি... !

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নুপী : য়াম্না শাউনা কষ্টমর ক্যেরদা ফোন তৌদুনা হায়, ইবুংঙো ইন্টরনেট পুং অহুম হেন্না য়াদ্রে, করি তৌ হায়বনো?
কষ্টমর ক্যের : ইতৈমা, ঙাইহাক য়ূমগী থবক ইনখাং তৌথোকপীয়ু ...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

তোম্বা : ননাও নঙ য়াম্না নোইখৎলে করম্না নোইখৎখ্রিবনো?
ননাও : ঐখোয়গী য়ূমদা ফ্রিজ লৈতে।
তোম্বা : ফ্রিজ লৈত্রগা করম হায়না নোইখৎলিবনো?
ননাও : ফ্রিজ লৈতবদগী অথোংবা খুদিংমক লোইনা চাথোক্তবা য়াদে...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নুপী : তামো মোরোক অঙাংবা পৱা অমতং পীয়ু।
দুকান মপু : অশঙবা মোরোক পুথোরকউ।
নুপী : তামো ঐনা হায়বদি অঙাংবা মোরোক পীয়ু হায়বনি।
দুকান মপু : অশঙবা মোরোক্তো য়াম্না থুনা পুথোরকউ হায়রগা।
নুপী : য়াম্না শাউরদুনা হায়, করিনো তাম্মো ঐনদি ঙসাইদগী চাম্মরক অঙাংবা মোরোক পীয়ু হায়রগা অশঙবা মোরোক পুথোরকউ-পুথোরকউ শুম হায়রিসিবু করিনো ?
দুকান মপু : নোকফেৎ তৌরদুনা হায়রকই, ইবেম্মা শাওগনু ঐ নঙগী অঙাংবা মোরোক অদুমক পীগদৌরিবনি মোরোক পুথোরক্কদৌরিবা অঙাংসিগী মমিং অশঙবা কৌই...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

অরিকপা নুপা অমগী নুপী য়াম্না কন্না নারম্মী।
মৈ মুৎখিবদগী অরিকপা নুপা অদুনা মহাক্কী নাদুনা লৈরিবা নুপী অদুদা হায়, নুপী ঐ দোক্তর কৌবা চৎলনি, মৈ মুৎখিবনা কেন্দল অসি থাল্লম্বনি। ঐনা দোক্তর পুদুনা লাক্ত্রিঙৈদা শিবা তারবসু কেন্দল অসি হান্না মুথৎলম্মু ...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -


চাওবা : নাওথোই, নতৈমগা ঐগা বঙ্গালি লোল অমুক্তা তমদবা য়াদ্রে, বঙ্গালি হৈবা ওজা অমত্তা থীবিরকউ।
নাওথোই : বঙ্গালি লোল তমগদৌরিবদি করিগীনো?
চাওবা : নখোয় নতৈমগা ঐগনা পোকপতা ঙাইরিবা বঙ্গালি মচা অমা এদোপ তৌরে।
নাওথোই : অদু কৈদৌরবা?
চাওবা : অঙাং অদুনা হেক চাওরকপগা ৱা ঙাঙবা হৈরকপা মতমদা বঙ্গালিদা ৱারী শাবা ঙম্নবনি ...!!!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।


Title : Scenery
By : Bonyson Loitam
Class : VI Roll : 19
School : Kinder Garten Montessory School



Title : A tree
By : Dhanishta Thokchom
Class : I Roll : 37
School : K.V. Akampat



Title : Golmaal
By : Khundongbam Pamuba
Class : III Roll : 3
School : Agape Kid Foundation Heirok


Title : Manipuri Pony
By : L. Lanchenba
Class : III Sec: Jasper
School : Heritage Convent


Title : Ball
By : Laijalembi Chongtham
Class : Nursery
School : JJ School, Ghari


Title : Coroboi
By : Poireinganba Ningthoujam
Class : V
School : Sacred Heart Hr. Sec. School


Title : Aquatic Life
By : Loitam Sushiya Devi
Class : III Roll : 2
School : Manipur Star Institute, Tera Bazar



Title : Atom Misile
By : Stephen Thokchom
Class : I Sec : B Roll No. 19
School : Tiny Tots Unique School


Title : A Flower
By : Thoudam Arina Devi
Class : X Sec : A Roll : 19
School : Paramount School, Bishnupur



Title : Lion
By : Thoudam Surjakanta (Bodee)
Class : III Sec : A Roll : 3
School : Maheileikon Kids Foundation


Title : A Straw Berry
By : Thounaojam Lingjelnganbi Chanu
Class : K.G.
School : Ajad English School


Title : Deidra
By : Tomthinganba Y.
Class : IV Sec : Marron Roll : 20
School : Leefaith School


Title : Goku
By : S. Radhakrishnan
Class : IV Sec : D Roll : 38
School : Pitambara English School


Title : Bird
By : Thoihenbi Naorem
Class : III Sec : A Roll : 62
School : Little Flower School


Title : Scenery
By : Jessica Th.
Class : IV Roll No. : 5
School : Bright Way English School


Title : Scenery
By : Jessica Th.
Class : IV Roll : 5
School : Kindergarten Montessori School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।